**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মহারাষ্ট্র বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিনা লুচিংবা মহা য়ুতি এল্লায়েন্সনা চাউনা মায় পাকপগা লোয়ননা সরকার অমুক হন্না পায়বগী ওইথোকপা লৈরে।
ঝারখন্দদা ঝারখন্দ মুক্তি মোর্চা অমসুং মসিগা চুংশিন্নবা দলশিংনা চাউনা মায় পাক্লে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি য়াওনা লুচিংবা কয়ানা মহারাষ্ট্র অমসুং ঝারখন্দগী মীয়াম্বু তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি।

৩) ইম্ফাল-জিরিবাম নেসনেল হাইৱে-৩৭ তা নুঙ নীংখায়বনা মরম ওইদুনা হৌজিকসু লম্বী চৎপা য়াদনা লৈরি।

৪) মণিপুরগী তম্পাক্কী জিলা মঙা য়াওনা কাংপোকপী, জিরিবাম, ফেরজোল অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী মফমশিংদা মোবাইল দাটা য়াওনা ইন্টরনেট সার্ভিস মখা তানা নুমিৎ হুমনি অথিংবা থমখ্রে।

অমসুং

৫) লোই থাখিবা অথৌবা ইপা ইপুশিংবু নিংশিংবগী ১৩৪ শুবা নিংশিং থৌরম ঙসি ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ পার্কতা পাঙথোকখ্রে।

------

মহারাষ্ট্র ঃ মহারাষ্ট্র বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিনা লুচিংবা মহা যুতি এল্লায়েন্সনা চাউনা মায় পাকপগী ওইথোকপা লৈরে। থা অসিগী ২০ দা ভোৎ থাদনখিবা সিট ২৮৮ লৈবা রাজ্য বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিনা হৌজিক ফাওবদা সিট ৯৫ দা মায় পাক্লে, ৩৮ দা মাংজিল থারি। শিব সেনা সিট ৪৪ তা মায় পাক্লে, ১৩ দা মাংজিল থারি, এন.সি.পিনা সিট ৩৫ দা মায় পাক্লে, ৬ তা মাংজিল থানা চৎলি।

শিব সেনা (উধব বালা সাহেব থাক্রে)না সিট ১৭ দা মায় পাক্লে, ৩ দা মাংজিল থারি। কংগ্রেসনা সিট ১০ কারে, ৫ দা মাংজিল থারি। এন.সি.পি(শরদচন্দ্র পৱার)না সিট ৮ তা মায় পাক্লে, ২ দা মাংজিল থারি।

মহারাষ্ট্রদা মহা যুতি চুংশিন্নবা চাউনা মায় পাক্লকপদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা রাজ্য অদুগী মীয়াম মরুওইনা নহা অমসুং নুপীশিংদা তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- চাওখৎপা অমসুং অফবা লৈঙাক সাসন হায়বসিনা রাজ্য অদুগী মীখলদা মায় পাকপা ঙম্বনি। চুংশিন্নবা কাংবু অসিনা মহারাষ্ট্রবু হেন্না চাওখৎনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি।

রাজ্য অদুগী মীয়াম্বু তৌবীমল খঙবা উৎলদুনা মুখ্য মন্ত্রি একনাথ সিন্দেনা হায়- হন্দক পাঙথোকখিবা মীখল অসিদা মহা যুতি চুংশিন্নবা কাংবু অসি মীয়ামা পামবা কাংলুপ অমা ওইরে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মহাকা হায়- মহারাষ্ট্রবু চাওখৎনবা অমদি মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপনা মহা যুতি সরকার অসিনা চাউনা মায় পাকপা ঙম্বনি। মহাকা হায়- শিব সেনা লিংখৎলম্বা বালা সাহেব থাক্রে অমসুং মসিগী লুচিংবা ধর্ম্মবির আনন্দ দিঘেগী ৱাখল্লোনদা যুম্ফম ওইরগা মীখল অসি চাউনা মায় পাকপনি।

মহারাষ্ট্রদা বি.জে.পিনা লুচিংবা মহা যুতি চুংশিন্নবা কাংবুনা মীখলদা চাউনা মায় পাক্লকপদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ অমসুং পৱার মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

ঝারখন্দ ঃ তাঙ্কক অনি থোকা ভোৎ থাদনখিবা সিট ৮১ লৈবা ঝারখন্দ বিধান সভা মীখলদনা ঝারখন্দ মুক্তি মোর্চানা হৌজিক ফাওবদা সিট ২৮ দা মায় পাক্লে, ৬ তা মাংজিল থানা চৎলি। কংগ্রেসনা সিট ১১ দা মায় পাক্লে, ৫ দা মাংজিল থারি। সি.পি.আই (মাক্সিস)না সিট ২ দা মায় পাক্লে। বি.জে.পিনা সিট ১৬ তা মায় পাক্লে, ৫ দা মাংজিল থারি। আর.জি.দিনা সিট ৩ দা মায় পাক্লে, ১ দা মাংজিল থারি।

মীখল ঃ কেরলাগী ৱায়ানর লোক সভা সিট কংগ্রেসকী প্রিয়াঙ্কা গান্ধি ভদ্রনা ফংলে। মহাকা সি.পি.আইগী সতয়ন মোকেরিদগী ভোৎ লাখ ৪ লিশিং ১০,৯৩১ হেন্দুনা মায় পাকখি। মহারাষ্ট্রগী নন্দেদ লোক সভা সিটকী মীখলদনা বি.জে.পিগী ডাঃ সানতুক রাওনা কংগ্রেসকী চাবন রবিন্দ্রদগী মাংজিল থানা চৎলি।

অসামদা পাঙথোকখিবা বিধান সভা সিট ৫ গী মরক্কী মীখলদা ধোলাই জিলাদা বি.জে.পিনা মায় পাক্লে, সিটলি বিধান সভা কেন্দ্রনা য়ুনাইতেদ পিপলস পার্তি (লিবরেল)গী মীরেপ ফংলে। বোংগাইগাউ সিটনা অসাম গনা পরিষদকী মীরেপনা কারে, বেহালি সিটনা বি.জে.পি মীরেপনা ফংলে। সমাগুরি বিধান সভা সিট বি.জে.পিনা কংগ্রেস মীরেপতগী মাংজিল থানা চৎলি।

বিহারগী সিট ৪ গী মনুংদা বি.জে.পিনা তরারি, রামগর সিটতা মায় পাক্লে, জে.দি.য়ুনা বেলাগঞ্জ অমসুং হিন্দুস্তানি অৱামি মোর্চানা ইমামগঞ্জ ফংলে।

রাজস্থানগী বিধান সভা সিট ৭ কী মরক্কী মীখলদা বি.জে.পিনা সিট ৫ দা মায় পাক্লে, কংগ্রেস সিট ১ দা মায় পাক্লে।

মেঘালয়গী ৱেষ্ট গারো হিলস জিলাগী গমবেগ্রে বিধান সভা কেন্দ্রগী মরক্কী মীখলদা এন.পি.পিগী মীরেপ মেহতাফ চান্দি অজিতোফ সংমানা মায় পাক্লে। মেহতাফ চান্দি অসি মুখ্য মন্ত্রি কোনরাদ কে. সংমাগী লোয়নবীনি।

নোনে (এল)ঃ ইম্ফাল-জিরিবাম নেসনেল হাইৱে-৩৭ তা নুঙ নীংখায়বনা মরম ওইদুনা হৌজিকসু মফম কয়াদা লম্বী চৎপা য়াদনা লৈরি। হৌখিবা নুমিৎ

হুমি অসিদা কে. সিনাম অমসুং সেজাং খুলগী মরক্তা লৈবা নুঙ দলাল মপাদা নুঙ কয়ামরুম নিংখায়রকপা অদু শেংদোকপগী থবক কন্না চখ্খরি।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী অগুই কামৈনা হায়- লম্বী শেল্লিবা কম্পনিশিংনা এস্কাভেতর ৫ শিজিন্নদুনা লম্বী শেংদোকপগী থবক লেপ্পা লৈতনা চখ্খরি। অদুমওইনম, চীংথক্তগী মখা তানা নুঙ কিন্থরকপনা লম্বী শেংদোকবা হোৎনবদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে। মরক অসিদা, নোনে পুলিস চ্যেক পোষ্টতা থাউ পুবা গাড়ি, এল.পি.জি বুল্লেট অমদি তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা ত্রক ১১৫ রোম পনদুনা লৈরি। ইন্দিয়ান রেলৱেজনা অখন্নবা রেলগাড়িশিংনা পুরকখিবা চেং অমসুং আলু হৌজিকসু খোসাং এরিয়াদা পনদুনা লৈরি। লম্বী শেংদোকপগী থবক চখ্খরিবা গনপতি কম্পনিগী ওফিসিয়েল অমগী মতুংইন্না নুঙশিং অসি লৌথোকবা হোৎনবদা মখা তানা নুমিৎ খরনি চংখিবা য়ানা লৈরি।

ইন্টরনেট (এল) ঃ রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলা মঙা য়াওনা কাংপোকপী, জিরিবাম, ফেরজোল অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী মফমশিংদা মোবাইল দাটা য়াওনা ইন্টরনেট সার্ভিসতা থল্লন্বা অথিংবা মখা তানা নুমিৎ হুমনি শাংদোকখ্রে। অথিংবা অসি থাগী অসিগী ২৫ গী নুংথিল পুং ৫ মিনিত ১৫ ফাওবা লৈগনি হায়না রাজ্যগী হোমগী কম্মিসনার এন. অশোক কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমদা য়ুম্ফম ওইরগা পামদবা থৌদোক থোক্তনবগীদমক রাজ্যগী হোম বিভাগনা অথিংবা অসি মখা তানা শাংদোকবা খঙহল্লকপনি।

কার্ফিয়ু (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি। মসিগী মতাংদা জিলাশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে।

সেনা(এল)ঃ শিব সেনা মণিপুর প্রদেশনা হায়রি- থা ১৯ হেল্লক্লবা মণিপুরগী ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকপগী মহুৎতা বি.জে.পি অমসুং কংগ্রেসনা অমনা

অমবু মরাল শিন্নদুনা লৈবনা করিগুম্বা ৱারোইশিন অমত্তা পুরক্লোই।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা দলগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী প্রসিদেন্ট এম. তোম্বীনা হায়- জিরিবামদা নুপী অঙাং য়াওনা মীওই ৯ হাৎপদা চেন্নবা মীওইশিং আইনগী ওইবা চপ চাবা থবক লৌখৎকদবনি। মহাকা হায়- লুরবা তানফম অসিদা রাজনীতিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরোইদবনি। এম.এল.এশিং পুনশিন্নদুনা লিংজেল মান্ননা থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। নেসনেল হাইৱেশিংদা অথিংবা কয়া লৈখিদবনা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং লৈবা ফংলক্রে। মণিপুরদা অহেনবা সেক্যুরিতি থাজিল্লক্লবসু করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎত্রবদি মদুগী ৱাহন্থোক লৈরোই।

য়ুএনএলএফ(এল)ঃ য়ুনাইতেদ নেসনেল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু.এন.এল.এফ)কী ৬০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা লুপ অসিগী সেন্ত্রেল কমিতিনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। লুপ অসিগী সেক্রেটরি ওফ পাব্লিসিতি সেক্রেটরি এম. শকহেন্না থোকপা চেরোল অমদা মপোক কুমওন অসিগা মরী লৈননা মীয়ামদা চহিগী ৱারোলসু পীরক্লি। চেরোল অদুনা হায়- মীয়ামগী য়াইফনবা খোঙজং কয়াদা অৱা অনা মায়োকদুনা মাংজিল থানা থৌদাং লৌরিবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং, মৈরা পায়বী ইমাশিং অমসুং মহৈরোই লুপশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা য়াইফ পীরি।

ফোক্স (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী বোরো বেক্রা সব-দিভিজনগী মনুং চনবা জাকুরাধোরদগী অঙাং য়াওনা মীওই ৬ চিন-কুকি-জোশিংনা তমথিনা হাৎলম্বগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা সাইকোট বিধান সভা কেন্দ্রগী বি.জে.পিগী এম.এল.এ- পাউলিয়নলাল হাওকিপনা ওনলাইন নিউজ চেন্নেল- দ ৱায়ারদা থৌদোক অদু কুকিশিংনা লমন শিংবগী চথখিবা থৌদোকি হায়না ফোংদোকখিবা অদুগা মরী লৈননা মহাক্কী মথক্তা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎতবা হায়বসি লাইবক থিবনি হায়না ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স) মণিপুরনা হায়রি। চেরোল অমদা লুপ

অসিনা হায়- আইনগী ৱাংমদা কুকি এম.এল.এ ১০ না থবক তৌব্রা হায়বদু থিগৎপগী তঙাইফদবসু লৈ।

ডে (এল)ঃ  লোই থাখিবা অথৌবা ইপা ইপুশিংবু নিংশিংবগী ১৩৪ শুবা নিংশিং থৌরম ঙসি ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ পার্ককী খা থংবা শরুক্তা লৈবা একজাইল হিরোস ওফ এঙ্গলো মণিপুরী ৱার ১৮৯১ গী মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হেরিতেজ ওফ ত্বেন্তি থ্রি অনসং হিরোস ১৮৯১ (অন্দমান চেপ্তর)না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কমপ্লেক্স অসিদা খিনবা নিংশিং খুভমদা মীয়ামা লৈ কৎতুনা অমদি থাং-তাগী সেলুট কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিগী ষ্টেট কম্মিসনার ৱাইখোম বিরাহরিনা হায়- অথৌবা ইপা ইপুশিং লোই থাখিবা অন্দমান নিকোবরগী মাউন্ট মণিপুর মখা তানা শেমজিনদুনা হৌরক্লিবা মীরোলদা মখোয়গী ৱারী হেন্না খঙহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। ইপা ইপুশিংগী ৱাখল্লোন তুং ইনদুনা ঐখোয়সু পুন্না অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নশি হায়নসু শ্রী বিরাহরিনা আপীল তৌখি।  থোরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ওর্গনাইজিং কমিতিগী কনভিনর চোংথাম তোম্বনা হায়- মতম অদুগী শক্তি লৈরবা বৃটিশকী মায়োক্তা থৌনা ফনা লান্থেংনখিবা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিং অদুবু ইকায় খুমফম থোকই। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা লোই থাখ্রবা অথৌবশিংগী নিংশিং থৌরমবু রাজ্য সরকারনা শকখঙবীদুনা চহি খুদিংগী রাজ্যগী থাক্তা নিংশিং থৌরম চাউনা পাঙথোকবা ফোংদোকখি।

ত্রিপুরাগী নরায়ন খামরদসু ঙসি ১৩৪ শুবা লোই থাখিবা অথৌবশিংবু নিংশিংবগী থৌরম পাঙথোকখি। মেজর চোংথাম মিয়া মেমোরিয়েল ট্রষ্ট ত্রিপুরানা শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা লোই থাবদা য়াওখিবা মেজর চোংথাম মিয়াগী মীতমদা মীয়ামা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

ককচিং (এল)ঃ  রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা মরাল লৈজদ্রবা পীক্লিবা অঙাং অহুম য়াওনা মীওই ৬ কুকি লালহৌবশিংনা হাৎতোকখিববু য়ানিংদে, মরাল লৈবা মীহাৎপশিং চৈরাক পীয়ু, মণিপুরদগী অফস্পা লৌথোকউ হায়বা তোঙান তোঙানবা খোল্লাউগী লোয়ননা মীয়ামগী ৱাকৎ খোঙচৎ অমা ঙসি ককচিং জিলাদা চৎখ্রে। খুন্নাই কনবা মৈরা পায়বী অপুনবা লুপ, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন, মণিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কমিতি, ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভোলুন্তরি এসোসিয়েসন্না পুন্না শিনবা ৱাকৎ খোঙচৎ অদু জিলা অসিগী ময়েং লমজাউদগী হৌখি। খোঙচৎ অদু দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিস তমা লাকপদা কৈরক কৈথেল লম্পাক মপাদা পুলিসনা থৎলবা মতুং অমুক হলহনখি হায়রি।

ককচিং-২ (এল)ঃ  ৱাবগাই কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা কৈরক অমসুং ৱাবগাইগী নহাশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি কৈরক ময়াই লৈকাই পান্থোইবী লম্পাক কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা কৈরক-ৱাবগাই য়ুথস পিছ কমিতি কৌবা অমা শেম্বগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়ামরুম লৌখি।

ত্রেনিং (এল)ঃ   মথং থাগী ৪ দা লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্কদৌরিবা পরখ রাষ্ট্রিয়া সরভেক্সন ২০২৪ দা ফিল্ড ইনভেষ্টিগেতর ওইনা মথৌ তৌগদবা ওজাশিংগী নুমিৎ নিনি চগ্গুথগদবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ত্রেনিং ঙসিদগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন কাউন্তিং হোল থৌবালদা হৌখ্রে। জেদ.ই.ও জোন-থ্রি থৌবালনা শিন্দুনা পাঙথোকপা ত্রেনিং অসিদা জিলা অসিগী খনগৎলবা ফিল্ড ইনভেষ্টিগেটর ১৮৫ না শরুক য়ারি।

উখ্রুল (এল)ঃ  খাসিম ভাসুম সার্ভিসেসকী ৪০ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি উখ্রুলগী কম্ম্যুনিতি রিক্রেসন সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে। খাসিম ভাসুম সার্ভিসেস গ্রুপ অসি ইং কুমজা ১৯৮৪ দা মীয়ামগী সেবাগীদমক ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রি খাসিম

ভাসুমনা হৌদোকখিবনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাড--

সেপাক তাক্রৌ (এল)ঃ  নাগালেন্দনা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদবা ৬৮ শুবা নেসনেল স্কুল গেমসতা শরুক য়াগদবা চহি ১৯ মখাগী নুপীমচাগী মণিপুরগী সেপাক তাক্রৌ টিম ঙসি নাগালেন্দদা থুংখ্রে। স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লিবা গেমস অসিগী শরুক অমা ওইনা কোহিমানা যুম্বু ওইদুনা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী থা অসি ২৭ ফাওবা নাগালেন্দগী কোহিমদা গেম অসি পাঙথোক্কনি।

ফুটবোল ঃ  ৬৮ শুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর শন্তোস ট্রোফিগী গ্রুপ-এফতা উরিষা ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইরে। পঞ্জাবগী জি.এন.দি.য়ু স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ঙসি শান্নখিবা ক্বালিফায়িং মেটচ অমদা উরিষানা ছত্তিসগরবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখিবনি। মণিপুরদি গ্রুপ-দিদগী মায় পাক্তুনা ফাইনেল রাউন্দ চংখ্রবনি। গ্রুপ অসিদা য়াওরিবা মিজোরম, সিক্কিম অমসুং ত্রিপুরাবু মায়থিবা পীরমদুনা মণিপুর ক্বালিফাই ওইখিবনি।

গেমস ঃ  অরমেনিয়াগী য়েরাবনদা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড মিলিটরি চেম্পিয়নসিপকী রেষ্টলিং মশান্নদা ভারতনা সনাগী ৩, লুপা ১ অমসুং শেঞ্জেংগী ৩ য়াওনা পুন্না তকমান ৭ লৌরে। কিলোগ্রাম ৭৬ কী নুপীগী কাংলুপ্তা ভারতকী রিতিকা হুদানা সনাগী তকমান লৌরে। কিলোগ্রাম ৫৫ গী নুপীগী কাংলুপ্তা জ্যোতি সিহকনা সনাগী তকমান লৌরে। নুপাগী কিলোগ্রাম ৭৪ গী ফ্রি ষ্টাইলদা জয়দিপনা সনাগী তকমান লৌরে। ভারতকী অমত্তা ঙাইরবা লুপাগী তকমান অদু কিলোগ্রাম ৭০ গী ফ্রি ষ্টাইল কাংলুপতা সুবেদার সরৱান্না ফংখিবনি। ৱার্ল্ড মিলিটরি চেম্পিয়নসিপতা ভারতনা অহানবা ওইনা কুমশি চহি অসিদা নুপীগী টিম থাখিবনি।

বেদমিন্টন ঃ চাইনাগী সেনজেংদা চথরিবা চাইনা মাষ্টরস ২০২৪ তুরনামেন্টকী নুপাগী দবলসতা ভারতকী জরা চিরাথ সেথি অমসুং সতৱিক সাইরাজ রনকি রেদিগা সাউথ কোরিয়াগী জরা জিন য়োং অমসুং সিও সুং জেগা সেমি ফাইনেলদা থেংনরগনি।

হন্দোরনেসিয়াগী জরা গৌতমা অমসুং ইসফাহানিনা চাইনাগী জরাবু ষ্ট্রেট সেটতা থোইদুনা ফাইনেল চংখ্রে।

------